**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-12-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-লমদম অসিগী য়েলহৌমী কনবা অমসুং ইশাগী লম নীংথিনা ঙাক শেনবা হায়বসিনা সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা ঙরাং মনিপুর য়ুনিভরসিতি কেম্পস মনুংদা লৈবা লংথাবালগী অরীবা কোনুংদা লৈরম্বা অসাম রাইফলসকী মফম নৌনা হোংদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক থেংনরিবা ৱাথোকশিং অসি তরাইনা লৌবা চুমলোই। ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা পুন্না হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে।

রাজ্য অসিদা মায়োকরিবা দ্রগকী সমস্যাশিংগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারনা লমদম অসিগী নহাশিং কন্ননবগী ৱাখল্লোনদা ৱার ওন দ্রগসকী কেম্পেইন চথুবা হৌখিবনি। তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীওইশিং কন্নবগীদমক মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা লেপমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**এইদস (এল)ঃ** ঙসি অসি ৱার্ল্ড এইদস নুমিৎনি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমনা ‘টেক দা রাইটস পার্টঃ মাই হেলথ মাই রাইট’ হায়বসিনি।

নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ক্রিপা সোসাইতি, সাসো, কোন, এম.এম.পি. প্লজ, অদুম অমসুং কেয়ার ফাউন্দেসননা পুন্না শিনদুনা মনিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন হোলদা ঙসি নুংথিল পাঙথোক্কনি। ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা কেন্দল লাইট মেমোরিএল প্রোগ্রাম অমসু কংলা গেটতা নুমিদাংৱাইরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মেক্সকী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর শরুক য়াগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাকবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-নেসনেল হায়ৱে ইম্ফাল-জিরিবাম অমদি নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি পুন্না ৪০৯ অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে।

**আর্মি (এল)ঃ** ভারত লান্মীনা চুরাচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপ্র জিলাদা মেদিকেল কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে। চুরাচান্দপুর জিলাগী সাইদেনগী টি.কাননফাইগী ভিলেজতা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্পা অমা পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন বজারদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদসু লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখি। কেম্পশিং অদুদা পুন্না মীওই ৮১৩ লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

**হোনবির্ল** ঃ নাগালেন্দগী কোহিমাদা ২৫ শুবা হোর্নবিল ফেষ্টিভেল ঙসিদগী হৌরগনি। নুমিৎ ১০ নি চথুগদবা ফেষ্টিভেল অসি মপুং ফানা পাঙথোকবগীদমক শেম শাবা লোইরে।

মসিগীদমক মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী রাজ্য অসিদা লাকবা হৌখ্রে। মখোয়বু হরাউ তয়ামা ওকবা থৌরম কয়া শিল্লি। চহি অসিগী ফেষ্টিভেল অসিদা নাগালেন্দগী থোইদোক হেন্দোকপা কলা সংস্কৃতিগী থৌরম কয়া উৎকদৌরি। রাজ্য সরকারনা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরিবা মফমশিংদা মীয়ামগী ফমফম মশিং হেনগৎহল্লে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসিএলশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা

লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং খন্নখ্রে।

ঙরাং ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া দিরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীফমগী অনিশুবা নুমিৎতা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা পুলিসনা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিংগী মতাংদা খন্নখি। লৈবাক মনুংগী ওইবা সেক্যুরিতি, অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং, সাইভর ক্রাইম, মাওইষ্টকী ইরাং অমসুং আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স অমদি দ্রোন য়াওনা তোঙান তোঙানবা অনৌবা টেকোলোজিশিংনা পীরকপা চৈথেংশিং অমদি টেরোরিজম থেংননবা লল্লোংশিং খন্নখি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দোবাল, কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি-গোবিন মোহোন অমদি তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসশিং শরুক য়াখি।

**মহারাস্ত্রঃ** মহারাস্ত্রদা মহা য়ুতি সরকারগী ৱাশক লৌবগী থৌরম লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম মুম্বাইগী অজাদ মৈদানদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ পাঙথোক্কনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পি. মহারাস্ত্রাগী প্রসিদেন্ট-চন্দ্রসেখর ভৱানখুলেনা হায়-থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি। মহা য়ুতি চুংশিন্নবা সরকার অসিদা বি.জে.পি, শিবা সেনা অমসুং এন.সি.পি. য়াওরি।

**আষ্টলক্সমি ঃ** কেন্দ্রগী দোনর মন্ত্রি জ্যোতির অদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- থা অসিগী ৬ তগী ৮ ফাওবা নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা অষ্টালক্সমি মহোৎসব পাঙথোল্লগনি। মহোৎসব অসিনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য ৭ কী কলা সংস্কৃতি,

মহৌশাগী অমসুং খুৎ শা হৈবগী পোখোকশিং উথোক্কনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা রাজ্যশিং অসিগী মরক্তা কলা সংস্কৃতি অমসুং শেনমিৎলোনগী মরক্তা খেন্নবা লৈরিবা অসি মেনশিন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**এক্সরসাইজ ঃ** ইন্দিয়ান আমর্দ ফোর্সেস অমসুং সিঙ্গাপুর আমর্দ ফোর্সেসনা পুন্না চথখিবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ অগা ৱারিয়ার-২০২৪ ঙরাং মহারাস্ত্রগী দিবালিদা লোয়শিনখ্রে।

১৩ শুবা এদিসন ওইনা মমাং থাগী ২৮ দগী চথরকখিবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অদুদা সিঙ্গাপুর আরটিলারিদগী পার্সোনেল ১৮২ অমসুং ইন্দিয়ান আর্মিগী রেজিমেন্ট ওফ আরটিলারিদগী পার্সোনেল ১১৪ না শরুক য়াখি। মিলিটরি এক্সরসাইজ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, য়ু.এন.চাপ্টরগী মখাদা লৈবাক ময়াম পুনশিনদুনা লান্থেংমীন্নবগী তঙাইফদবা লাকপা মতমদা আরটিলারি পার্সোনেলশিংনা পুন্না মথৌ তৌবদা হেন্না ৱাখল তামীন্ননবনি।

**হোকি ঃ** ওমানগী মাসকাটতা চথরিবা মেন্স জনিয়ার এসিয়া কপ হোকি টুর্নামেন টতা ভারতকী টিমনা চাইনিজ তাইপৈবু মায়থিবা পীখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা পুল (এ) গী মেটচ অমদা ভারতনা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ১৬-০ দা থোইখিবনি। ভারতকী টিমগী দিল রাজ সিংহনা পাঞ্জল মরি চনখি। মেটচ অসি থোইখিবগা লোয়নননা ভারত পুল (এ) গী গ্রুপতা পোইন ট ৯ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

ঙসি ভারত অমসুং কোরিয়া শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লংথাবাল কোনুংদগী অসাম রাইফলস লৌথোকখিবা, কমল বাবু তেক্তা কায়দনা পুথোকউ হায়না মীয়ামনা খোঙজং চংশিনখিবা অমদি রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি হনজিলহল্লু হায়বা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী পাউশিং, পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মীয়ামনা চহি কয়া দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবা লংথাবাল কোনুংদগী এ.আর. হোংবা হৌখ্রে, লুপা কোতি ৪০ চংনা দিজিটেল ম্যুজিময়ম শাবা হৌরগনি হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যূজগী বেন্নর হেদলাইন ওইরি।

পি.আর. লাকপরোমদা অসুম নকশিল্লক্লি, কোর্টনা রিকমেন্দন্দেসন থাউ হায়বদু মীতৈবু এস.টি. ওইহল্লু হায়বদৌনা ওন্থোকখি হায়বা হান্নগী হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস-সিদার্ধ মেদুলনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইরাং মখা চত্থরিবসি ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংল্লকপা, খুৎলায় অমসুং দ্রগ লল্লোনবগী থবকনি হায়না রিটয়ার্দ চীফ জষ্টিস-সিদার্ধ মেদুলনা ফোংদোকপা ৱাফমনা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পুৱারীগা শাগোন্নরবা লংথাবাল কোনুংদগী অসাম রাইফলস হোংদোকপা হৌখ্রে, লান অসি লাইনা লৌবিগনু,  য়েলহৌমী, লম কন্দ্রিবা ফাওবা তুম্বা চাবা খঙদনা হোৎনখিগনি, ফম মুন্নগদবা মতম নত্তে হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কমলবাবু আর্মিনা পুথোকপা ঙমদবদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীফম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপনা জিরিবামগী খুঞ্জাশিং উন্নখ্রে, মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মিজোরাম সরকারনা রাজ্য অসিগী ওইবা ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিল্লক্তনবা লুপ

কয়ানা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নোনে জিলাদা এন.এস.সি.এন (আই.এম) অমসুং জেট. য়ু.এফকী মরক্তা খুৎ থোকখিবগী থৌদোকপু রোংমৈ লুপশিংনা কন্দেম তৌরকপগী পাউ-মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

আর্মিনা কাংপোকপীদগী চুরাচান্দপুর তাবা হায়ৰে থিংজিনবগী মায়োক্তা কুকিশিংনা পাক শন্না খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা ইন্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

অসাম রাইফলসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা বঙ্গর কয়া থুগায়খিবগী পাউ, মোরনিং বেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।